## ইজরেলগী এটেক্তা গাজাদা পৱার প্লান্ট কায়খ্রে



*গাজা সিটিদা ইজরেলগী এটেকতা মাং তাক্লবা মোস্ক অমগী মনাক্তা নিপা অমা লেপ্লি*

***গাজা, জুলাই ২৯ ঃ*** ইজরেল অমদি হামাস মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা চয়োল অহুমলোম শাথিনা খুৎ থোক্লবদা পেলেষ্টিনিয়ান মচা লিশিং ১ হেন্না শিখ্রবা তুংদা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেতানয়াহুনা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অসি লিশাং শিৎনা চত্থবা য়ানা লৈরে হায়না ৱার্নিং পীখ্রে।

ৱার্নিং অসিগা লোয়ননা চয়োল অহুমলোমগী মনুংদা গাজাদা ইজরেলনা চঙশিল্লকপা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা বোম থাদবগী থৌদোক অমা ঙরাং অহিং থোকপদা গাজাগী অমত্তা ঙাইরবা পৱার প্লান্ট মাং তাকখ্রে হায়রি।

ঙরাং অহিংখত্তদা হসামসকা মরী লৈনবা মফম কয়ামরুম য়াওনা ইজরেলনা এয়ার ষ্ট্রাইক ৬০ রোম চত্থরকখি হায়রি।

থৌদোকশিং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬০ শিখিবগী মনুংদা য়ু এন গী ষ্টাফ মেম্বরশিংসু য়াওরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি। ইজরেল মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদদি ঙরাং অহিং চত্থখিবা ষ্ট্রাইকশিং অদু হমাসকী মথক্তা হেন্না কন্না খুৎ থাবগী খুদম অমা ওইরবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং টেলিভিজন্দা পীবা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেতান য়াহুনা গাজা–ইজরেল লমদাইনফমশিংদা হমাসনা শেম্বা লৈনুংহুৎশিং মাং তাকহনবা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বানকিমুননা অৱাংথংবা গজাগী মীয়ামদা লমদম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা ইজরেলনা ৱার্নিং চেজাইশিং চাইরে হায়বসিদা নুংনাংবসু ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খিবদা য়ু এন এজেন্সিশিংদা হৌজিক অহেনবা মীয়াম চঙশিল্লকপগী তঙাই ফদবশিং ফংহনবা ঙম্বগী উপাই লৈত্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইজরেলনা হায়বদা ৱার্নিং চেজাইশিং অদু য়ারিবমখৈ মীচম মীয়াম শিবা শোকপা নংদনবা চাইথোকপনি হায়রি। পেলেষ্টিনিয়ান ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা অয়াম্বনা মীচমশিং ওইবা পেলেষ্টিনিয়ান মচা ১১১৫ হৌখিবা জুলাই ৮ দগী খুৎ থোক্লরকপা থৌদোকশিংদা শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## য়ুক্রেনগী নোংপোক্লোমদা খুৎ থোক্লবদগী মীচম কয়ামরুম শিখ্রে

***কিয়েব, জুলাই ২৯ ঃ*** য়ুক্রেনগী নোংপোক্লোমদা লৈবা ঈরাং কনবা মফমশিংদা প্রো রুসিয়ান রিবেলশিং অমদি য়ুক্রেনিয়ান লান্মীশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা হেনগৎলকপদগী য়ামদ্রবদা মীচম ১৯ শিখ্রে হায়না ঙসি লোকেল ওফিসিয়েলশিং ফোঙদোরক্লি।

খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অসি সেপেরেটিষ্টশিংগী মথক্তা কিয়েবনা ওফেন্সিভ চঙশিনবা হেনগৎলকপদগী থোকখিবনি হায়রি।

মরুওইনা লালহৌবশিংনা খুৎলিংদুনা লৈবা দোনেটস্ক, লুহানস্ক লমদমশিংবু মফম কয়ামরুমদা য়ুক্রেন ফোর্সশিংনা লাঙ্গোই চনশিন্নবা হোৎনবদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অসি হেনগৎলকপনি হায়বগা লোয়ননা চৎখিবা জুলাই ১৭ তা মালেসিয়ান এয়ার লাইনর অমা কায়খিবা মফম অদুদসু খরগা হেন্না পাক চাওবা শরুক অমা য়ুক্রেন ফোর্সশিংনা খুদুম চন্নবা হোৎনরি হায়রি।

ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা ঙরাং য়াচংবদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা অঙাং ৫ য়াওনা মীওই ১৪ শিখ্রে হায়রি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা নাকল অনিনা খ্বাইদগী কন্না খুৎ থোক্লখিবা গুরলোবকা টাউনদা ঙরাং মীওইশিং অসি শিখিবনি হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিবেল কম্মান্দর ইগোর ষ্ট্রেলকোবনা পাউমীশিংদা হায়বদা য়েক্লবশিংনা দি এন আরবু লাঙ্গোই চন্নবা হোৎনবদা অফংবা উপাই পুন্নমক শিজিন্নরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লান মচা অসিদা মখোয়না অশুক য়াম্বা খুৎলাই পুথোক্তুনা শিজিন্নবা অসি অঙকপা ফাওই হায়নসু ষ্ট্রেলকোবনা ফোঙদোকখি। দোনেটস্কতা লালহৌবশিংগী লিখুন অমনা হায়বদা ফাইটরশিংসু য়াওনা অহেনবা মীলিটরিগী মপোৎ মচৈশিং অনকপদা লৈবা রুশিয়াগী ঙমখৈদগী য়ুক্রেনলোমদা লানশিল্লক্লে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু ৱাফম অসি পাউগী এজেন্সি অসিনদি কনফার্ম তৌবা ঙমদ্রি। মরমদি লালহৌ লুচিংবশিংনা মোস্কোনা মখোয়দা করিগুম্বা সপ্লাই অমত্তা পীরক্তে হায়না মমাংদা মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রবনি। অদুগা চঙশিল্লিবা লালহৌ ঈরাং অসিদা খুৎলাই অমদি লান্মী পীদুনা রুশিয়ানা শৌগৎলি হায়না নোংচুপ লৈবাকশিংনা মরাল শিবদা রুশিয়ানসু কন্না য়াদ্রিবনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী মপাঙ্গল লৈবা লৈবাক খরগা (য়ু এস) য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী লৈঙাক লুচিংবশিংগা ঙরাং পাঙ–থোকখিবা টেলি কনফরেন্স অমদা রুশিয়াগী বেঙ্কিং, টেক্নোলোজি অমদি খুৎলাইগী সেক্টরশিংদা অহেনবা সেঙ্কসনশিং থম্নবা য়ানখ্রে হায়নসু লিখুল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## ইটালিনা ত্রিপোলিগী মৈ মুখৎপদা মতেং পাংগদৌরি



*ত্রিপোলিগী এয়ারপোর্ট অমগী মনাক্তা য়াম্রবা থাউ পৈফম দিপো অমা মৈ চাকপগী শক্তম*

***ত্রিপোলি, জুলাই ২৯ ঃ*** লিবিয়াগী কোনুং অসিগী এয়ারপোর্ট অমগী মনাক্তা লৈবা খ্বাইদগী চাওবা থাওগী দিপো অমদা লাকশিনবা ঙমদনা থোক্লিবা মৈহৌ লাংপোক অদু মুখৎপদা ইটলিনা মতেং পাংগে হায়বা ৱাফম লাম্থোরকখ্রে হায়না লিবিয়াগী গভর্নমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

মৈ মুখৎনবা থৌরাংগীদমক ইটলিনা এয়ারক্রাফ অমগা লোয়ননা এক্সপার্ট টিম অমসু থারক্কদৌরি হায়না গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবনি। শাথিবা মৈহৌ লাংপোক অসি য়ানদবা মিলিসিয়া লুপশিংনা খুৎ থোক্লবদগী থাও পৈফম অদুদা রোকেটনা পানবদগী হৌরকখিবনি হায়না লিবিয়াগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।


হৌজিক হৌজিক ত্রিপোলিদা লৈবা মীওই পুন্নমক য়ানদবা লালহৌলুপশিং খুৎ থোক্লবা হেনগৎলকপদগী কিবনা মরম ওইদুনা ইমুং মনুংশিংদগী হেন্দোক্লদ্রে। লোয়ননা মমাং চয়োলদা ত্রিপোলিগী মেইন এয়ারপোর্ট খুদুম চন্নবা হোৎনবদা য়ানদবা লালহৌলুপশিংনা খুৎ থোক্লরকপদা মীওই ৯৭ শু শিখ্রবনি।

ত্রিপোলিগী ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট তাবা লম্বীদা ত্রিপোলিদগী কিমিঃ ১০ রোম চৎলগা লৈবা দিপো অসিগী অকোইবদা মীসু কুংনা তাবনি। ত্রিপোলিদগী বি বি সি গী পাউমী অমনা হায়রকপদা মফম অসিদা লৈরিবা মীয়াম ভাইওলেন্স অসিনা মরম ওইদুনা নুংশুক নুংজানরে। মিলিসিয়াশিংনা খুৎ থোক্লবদা মীয়ামদা পাক শন্না অৱাবা অমদি মাঙ তাকপা থোকহনগদবা অদুবু করিমত্তা নাচুংদবা অদুগীদমক মীয়াম্না থাজদবগা লোয়ননা খোইশাওনরে হায়নসু মহাক্না মখা তারক্লি।

এয়ারপোর্ট তাবা লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা লৈবা মীয়ামশিংদি হাইদোরকপা রোকেটনা পানগদ্রা কিবদগী ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি হায়নসু লিখুন অমনা মখা তারক্লি।

লিবিয়াগী গভর্নমেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা ইটালিগী গভর্নমেন্ট অমদি ই এন আই হায়বা ইটলিয়ান ওইল কম্পেনি অসিনা মৈ মুখৎপদা মতেং পাংগদৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## রুশিয়ানা ন্যুক্লিয়ার ত্রিটি খোঙ্গাওনরিঃয়ুএস



***ৱাশিংটন, জুলাই ২৯ ঃ*** য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি রুশিয়াগী মরী হান্নদগী হেন্না ফংচিল্লক্তবগী খুদম অমা ওইনা য়ু এস গভর্নমেন্টনা ঙরাং হায়খিবদা মোস্কোনা ইন্টরমেদিয়েট রেঞ্জ ন্যুক্লিয়ার ফোর্সেস ত্রিটি খোঙ্গাওনখি হায়বগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱারী ৱাতাই শান্নবা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহি ইং ১৯৮৮ রেটিফাই তৌখিবা কোল্ড ৱার ত্রিটি অদু লৈমাইদগী কাপকদবা কিমিঃ ৫০০ দগী কিমিঃ ৫৫০০ ফাওবগী রেঞ্জ লৈবা ক্রুজ মিসাইলশিং মাংহন্নবা পান্দমদা শেমখিবা ত্রিটিনি। মসিগী মতাংদা য়ু এস কী এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসিয়েল অমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়খিবগী মতুং ইন্না হীরম অসি য়াম্না লুবা অমা ওইবা মরম্না ঐখোয়নসু মতম কয়াদগী হৌনা ইশু অসি লোইশিন্নবা রুশিয়াদা তকশিন্দুনা লাকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

ত্রিটি অদুগী মখাদা রুশিয়ানা পীখিবা থাজবশিং চপ চানা ইন্নবা ঐখোয়না রুশিয়াদা পুক্লিং থৌগৎপনি অমদি অথিংবা লৈরবা পোৎলমশিং অাম্বনি খঙবা থৌওং অমদা মাংহনখিনবা তকশিনবনি হায়নসু ওফিসিয়েল অদুনা ফোঙদোরক্লি। অদুমকপু ওফিসিয়েল অদুনা ত্রিটি অদু রুশিয়ানা কমদৌনা খোঙ্গাওনবগে হায়বদি মরিক চুম্না ফোঙদোরকখিদে। চহি অসিগী জনুৱারি থাদা নিউয়োর্ক টাইমসতা ফোঙদোকখিবা পাউ অমদসু ৱাশিংটননা মসিগী নাটোগী মপাংশিংদা রুশিয়ানা লৈমায়দগী কাপ্পা ক্রুজ মিসাইলশিং চাংয়েং তৌরে হায়বা খঙহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অদুবু য়ু এস কী ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমনা হায়বদদি রুশিয়ানা ত্রিটি অদুবু খোঙ্গাওনবনা য়ু এস তা অমদি মসিগী য়ুরোপিয়ান এলাইশিংদা লান্মীগী ওইবা অনৌবা অকিবা অমা পীবদি ওইদে হায়না ফোঙদোকখি। অদুমকপু রুশিয়াগী লৈরিবা মিসাইল মপৈশিং অসিগী হায়রবদি থৌওং অসি 'দিষ্টর্বিং' ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মখা তারদুনা মহাক্না হায়বদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়ামরুমদা ফনমক য়ানদবা লৈরবসু খ্বাইদগী শাথিবা খুৎলাইশিং ফাজিন্নবগী চৎনরোল অদুদগী রুশিয়ানা নাথৈখ্রে হায়বা তাক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## পোপ ফ্রান্সিস শ্রীলঙ্কা, ফিলিপিন্স চৎকদৌরি

***ভেটিকান, জুলাই ২৯ ঃ*** পোপ ফ্রন্সিসকী এসিয়াদা অনিশুবা খোঙচৎ ওইনা মথং চহিগী জনুৱারি ১২ দগী ১৯ ফাওবা চয়োল অমগী খোঙচৎ ওইনা শ্রীলঙ্কা অমদি ফিলিপিন্সতা চৎকদৌরি হায়বা ৱাফম ভেটিকাননা কনফার্ম তৌরক্লে। মসিগী মমাংদা টাইফুন হায়াননা শোকহনখিবা ভিক্টিমশিং উনরুনবা শ্রীলঙ্কাদা চৎকনি হায়বা ৱাফম মাংজৌননা লাওথোকখ্রবনি।

নিংশিংবা য়াবদি টাইফুন হায়ানগী চৈথেংদা ফিলিপিন্সতা মীওই ৬৩০০ শিরগা মীওই ১০৬০ রোমনা মফম খঙখিদ্রবনি।

ভেটিকান প্রেস ওফিসনা ঙসি ফোঙদোকপা ৱারোল অমদা পোপ ফ্রান্সিসনা জনুৱারি ১২ দগী ১৫ ফাওবা শ্রীলঙ্কাদা চৎকনি। অদুগা থাদুগী তারিখ ১৯ ফাওবগী লেমহৌরিবা নুমীৎশিংনা ফিলিপিন্সতা চৎকনি হায়নসু ঙসি ফোঙদোরকপনি।

**সনা–সুদোকু – ৫৮ গী সোলুসন**

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 4 | 3 | 1 | 2 | 5 |
| 2 | 5 | 1 | 3 | 6 | 4 |
| 4 | 1 | 5 | 2 | 3 | 6 |
| 3 | 6 | 2 | 4 | 5 | 1 |
| 1 | 2 | 6 | 5 | 4 | 3 |
| 5 | 3 | 4 | 6 | 1 | 2 |

**SANA-SUDOKU**

***Rules :-*** *Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana- Sudoku- 60**

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 2 | |
| | | | 6 | | 4 |
| | 5 | 2 | 1 | | |
| | | 3 | 2 | 4 | |
| 3 | | 6 | | | |
| | 1 | | | | |

## এবোলা ঙাকথোক্লবা হোৎনখিবা ডোক্তর ফিভম লুরে

***ফোর্টৱার্থ, জুলাই ২৯ ঃ*** লিবরিয়াদা এবোলা লাইচৎ শন্দোরকপদগী অনাবা কয়ামরুম থা কয়া চুপ্পা লায়েংখিবা অদুগা লায়না অসি ঙাকথোক্লবা মেদিকেল মিসনরি অমা ওইনা চোকথবা লৈতনা মথৌ তৌবদা লায়না অসি লৌরকখিবা ডোক্তর অদু ফিভম লুনা লৈরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

শাথিনা শিগনবা লায়না অসি হৌরকপদগী হৌজিক ডোক্তর কেন্ট ব্রেন্টলি অসি লিবরিয়াগী মোনরোবিয়াগী মতাইদা লৈবা আইসোলেসন য়ুনিট অমদা শিবা চঙবা অনিগী লংদাইদা লাইকন্নরি হায়রি। টেক্সাসতা তমখিবা ডোক্তর অসিনা হায়বদা তমথিরবা লায়না অসি মখা তানা শন্দোরক্লবদি হায়না মঙোন্দা তশেংনা অকিবা ফাওখি হায়খিবা ৱাফম অমা পল্লদুনা ফোর্টৱার্থকী জোন পিটর স্মিট হোস্পিটালদা দিরেক্টর ওইবা ডোক্তর দেবিদ মক রেনা ফোঙদোকখিবনি। হোস্পিটাল অসিমক্তদা ডোক্তর ব্রেন্টলিসু চহি ৪ গী রেসিদেন্সিয়েল কোর্স লোইশিনখিবনি।

ঙরাং ডোক্তর মক রেদা থারকপা ই–মেল অমদা ডোক্তর ব্রেন্টলিনা হায়রকখিবা ৱাফম অমদা লায়না অসিদগী ফরকপদা ঈশ্বরনা ঐবু তেংবাংবিসনু হায়না থম্মোয় শেংনা থৌনিজরি হায়না ফোঙদোরকখি।

অসিদসু নত্তনা মহাক্না পুন্না থবক তৌমিন্নখিবা নেন্সি রাইটবোল হায়বা অমেরিকান কো–ৱার্কর অমসু এবোলা নাদুনা লৈরিবা অদুগীদমক মহাক্না ফরক্লবা ঈশ্বরদা থৌনিজরি হায়নসু ই–মেল অদুদা পল্লকখি।

টেলিফোনদা ডোক্তর মক রেনা ব্রেন্টলিনা ৱারী শারবা মতুংদা হায়খিবদা এবোলা নারবা মীওইশিং লায়েংবদগী ৱামন্দুনা মহাক লায়না অসি লৌরকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অমনা ডোক্তর ব্রেন্টলিবু মখা তাবা লায়েংগীদমক য়ুরোপ্তা পুরক্লবগী থৌরাং অমসু মহাক্না য়ুরোপ য়ৌদ্রিঙৈদা লান্না পায়রক্কদবা লৈবাকশিং অদুগী ওথোরিটিশিংনা নুংনাংবা ফাওবদগী পুরকপা য়ারোইদবা ফিভম অমদা লৈরে হায়নসু ডোক্তর মক রেনা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি অকনবা লাইহৌ হৌরক্লগা খৌনাও নাবা অমদি ওবা ফাইবগা লোয়ননা হকচাং মনুংদা ঈ থোকপগী লাইওং লৈরকপা এবোলা হায়বা লায়না অসি হৌজিক ফাওবদা ফহন্নবা লায়েং অমত্তা লৈত্রিবনি।

লায়না অসি মীওইবগী ঈ অমদি অতৈ হকচাংগী মহিশিং শোক্লা শম্নবদগী লায়না লৌনবা ঙম্মী হায়না ৱার্ল্ড হেলঠ ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোকখ্রবনি। অদুগা মশাগী চহি ৩৩ শুরবা ডোক্তর ব্রেন্টলিনা মালেমগী খ্বাইদগী লাইরবা লৈবাক অমদা এবোলা লাইচৎ শন্দোরক্লে হায়বদা মহাক্না ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মায়োক্লগদৌরিবা খুদোংথিবশিং শেংনা খঙলগা চৎখিবনি হায়নসু মহাক্কী মরুপ মপাংশিং অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখি।



লায়না অসি লৌরে খঙলবা মতুংদসু ডোক্তর অসিনা মহাক্না লৌখিবা ৱারেপ অদুগীদমক নিংঙমদবা খজিক্তা উৎখিদে হায়নসু মখোয়না ফোঙদোরকখি। ব্রেন্টলিগী অপোকপী জান ব্রেন্টলিনা হায়বদা ঐহাক্কী ইচানুপা অদু মপুন্সিচুপ্পা মেদিকেল মিসনরি অমা ওইনবা ফিরেপ লৌখ্রবনি। মহাক্কী থম্মোয়দি হান্নবা অফ্রিকাদা লৈখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখি।

## চাইনাদা হান্নগী সেক্যুরিটি চিফকী মথক্তা থিগৎপা হৌখ্রে



***কিয়েব, জুলাই২৯ ঃ***চাইনাগী হান্নগী সেক্যুরিটি চিফ ওইরম্বা ঝৌ য়োং কাংগী মথক্তা শেঞ্জা থুমজা চত্থখিবগী চিংনবা লৈদুনা কুপ্না থিগৎপা হৌখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

থা কয়ামরুম মীয়ামগী মাংদা উদনা লৈরকখিবা কা হেন্না শক্তি লৈরবা মিনিষ্টর অসিগী মরমদা মীয়াম মরক্তা লৈরকপা তোকঙা অদু অশেংবা ওইরে হায়বা ৱাফম পাউ অসিনা কনফার্ম তৌরে। ঝৌ অসি চাইনাগী মিনিষ্ট্রি ওফ পব্লিক সিক্যুরিটিগী মকোক ওইরম্বগা লোয়ননা পোলিটব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটি হায়বা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা ৱারেপ লৌবা লুপ অসিগী মেম্বর অমা ওইরম্বনি। করপসনগী মরমদা চাইনিজ গভর্নমেন্টনা তকখাইরকপদা মকোকথোংবা ওফিসিয়েল অসিসু য়াওরক্লে হায়বা ৱাফম অসিনা চাইনাগী পোলিটিকেল এলিটশিংদদি পুক্লিংদা নুংনাংবা শোইদনা ফাওহল্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবা অমনা চাইনাগী লৈখিদ্রবা লুচিংবা মাও জে দোংগী লোয়নবীসু য়াওনা 'গেং ওফ ফোর' গী মথক্তা চাইনিজ ওফিসিয়েলশিংনা ইং ১৯৮০ গী মতমদগী চত্থরকপা ইনভেষ্টিগেসন মনুংদা ঝৌনা খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা ওফিসিয়েল অমা ওইরি।

কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লিদর ওইনা সি জিনপিংনা হু জিনটাওদগী লৈঙাক শক্তি লৌরকখিবা ইং ২০১২ গী লোইশিল্লকপা মতমদা ঝৌ য়োং কাং থবক্তগী পোত্থাখিবনি।

লৈঙাক শক্তি পায়দুনা সি জিনপিংনা চাইনাগী প্রসিদেন্ট হেক ওইরকপদগী কম্যুনিষ্ট পার্টি মনুংদা ওমদুনা লৈরকখিবা করপসনগী মতাংদা পাক শন্না তকখাইবা হৌরকখিবনি। প্রসিদেন্ট অসিগী ৱারোলদা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোকসিনা পার্টি অসি হিংবা নত্রগা হিংদবগী চিরবা তানফম অমদা লাক্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি। থিজিনবগী থবক্তি সেন্ট্রেল কম্মিসন ফোর দিসিপ্লিন ইন্সপেক্সন হায়বা পার্টিগী করপসন ৱাটচদোগ অসিনা চত্থগনি হায়রি।


UNIFIED ACADEMY
"A Premier Coaching Insititute for Medical & Engineering Entrance Exam."
Kwakeithel Bazar, Airport Road, Imphal
Admission Open
1. Regular course for Medical and Engineering Entrance Exam.
2. Foundation Course for Class XI & XII Science
Admission Procedure
- Enrolment through Direct Admission
- Free Studentship & Special Concession for meritorious students
- Section allocation through a screening test
Form issue: From 2nd July 2014
Last date of Submission & Admission : 23rd July 2014
For XI & XII (Sc) Foundation course
Last date of Admission : 14th July 2014
For details contact office of the UNIFIED ACADEMY (from 2nd July 2014)
Under the Guidance of :
O. Ibochouba, Zoology
Th. Bhabananda, Physics
N. Jitendra, Physics
L. Inaomacha, Botany
L. Robindro, Chemistry

Hostel Avaible
Van Service Available
Home Visit Tutors also Available for all Boalrds
DELTA TUTORIAL
The Largest Coaching Institute in Manipur for Arts & Sc.
CBSE
ADMISSION OPEN
Foundation Course 2nd Batch Commencing from
July 11 for Class XI Arts & Sc. (Morning, 4.30 - 7.30)
July 11 for Class XII Arts & Sc. (Evening, 4.15 - 8.00)
Also, few seats are lying vacant for XI Arts & Sc.
June Evening Batch (4.00 - 7.45) for CBSE
Run by well trained & experienced K.V, fomer K.V. & J.N.V., CBSE school teachers under the lattest curriculum of CBSE
We provide full printed study materials. Every sunday, Effective Test Series ETS)
Hurry Limited Seats
Form available :- DELTA Tutorial Office, Sega Road Konjeng Hajari Leikai & DELTA Home Tutorial Office, Sagolband Salam Leikai, Imphal
For detials Pliz Contact :- 9856100063, 8131882971
We give Intense Hope to despondent Individual